**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-01-2025)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মনুংদা খুন্নাইগী ওইবা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপদা মনিপুর সরকারসু মাংজিল থাবা রাজ্য অমনি। ৱাফম অসি রাজ্যগী স্কিলস, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন টরপ্রেনুয়রসিপকী মখাদা মনিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কন্সত্রক্সন ৱাকরস ৱেলফিয়ার বোর্ডনা শিনদুনা ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙসি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লেবর কার্ড পায়বশিংদা অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বদা মতেং পাংবা ওইনা ফাইনান্সিয়েল এসিস্টটেন্স য়েন্থোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-মতম অমদা রাজ্য অসিদা লেবর দিপার্টমেন্ট লৈরবসু মীয়ামনা লোইশঙ ইখঙ খঙনদবগুম তৌরম্মী। অদুমওইনমক, বি.জে.পিগী সরকার লাক্লবা মতুংদদি শিন্মীশিংগী য়াইফ-থৌরাং কয়া পায়খৎলকপদগী মীয়ামনা দিপার্টমেন্ট অসি নীংথিনা খঙনরে।

শ্রী বিরেননা হায়-হৌজিক্কী ৱারবা মতম অসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই লিশিং ৫,২২৫ বু মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা দি.বি.টি. গী খুত্থাংদা লুপা লিশিং মঙা-মঙা পীরগনি। ইমুং ৮০ দনা লুপা লিশিং তরা-তরা পীগনি।

মনিপুরদা লৈরিবা য়ুমথোং খুদিংমক্কী শেন্থোক নীংথিনা লৈহল্লবা মতমদা রাজ্য অসি চাউখৎপা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

**হকশেল (এল)ঃ** রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী দিরেক্তর-ডাঃ চন্বো গোনমৈনা চাইনাদা পাক্তকনা শন্দোক্লিবা হ্যুমেন মেটান্যুমো ভাইরস (ঐচ.এম.পি.ভি) নাবা মনিপুরদা কেস অমত্তা লৈত্রি হায়রদুনা মীয়ামনা পাখৎপীগনু হায়না আপিল তৌরক্লি।

ডাঃ চন্বো গোনমৈনা চেরোল অমদা হায়-লায়না অসি শ্বোর হোনবা নুংঙাইহন্দবা লায়না মখল অমনি। ঐচ.এম.পি.ভি. হায়রিবা ভাইরস অসি অনৌবা নত্তে। ইং কুমজা ২০০১ দা হান্ননা থেংনখ্রবা ভাইরস মখল অমনি। মসিনা পেন্দামিক অমা থোকহনবা য়াবগী অকিবা লৈতে। অদুম্মকপু, রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা তোঙান তোঙানবা চেকশিন থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। দিষ্ট্রিক্ট সরভিলেন্স য়ুনিটশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈবতা নত্তনা লায়না অসিগী লায়ওংনি চিংনবা কেসশিং লাকপা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ ওথোরিতিনা মীৎয়েং চংনবা শেম শাদুনা লৈরি।

**মেসেজ (এল)ঃ** মহারাজ গমভির সিংহ লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওন থৌরম হয়েং লংথবালদা লৈবা মহারাজ অসিগী সমাধিদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, পৱর মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহ অমসুং করাম শ্যাম, এম.এল.এনচিংবা কয়া শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা, মহারাজ গমভির সিংহ ম্যুজিয়ম শানবা যাত্রা হুনগনি।

মহারাজ গমভির সিংহনা লৈখিদবগী কুমওননা লাকপদা রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা লৈখিদ্রবা নিংথৌ অসিগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎলি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পাউজেল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইনিংথৌ অসিনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা অৱাশিংবু তান্থোকখিবদা লৌখিবা থৌদাংশিং নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। মহারাজ গমভির সিংহগী থৌনা লিংজেল অদুবু নিংশিংদুনা মপাঙ্গল কনবা, শান্তি লৈবা অমসুং

মতিং লৈবা মণিপুর অমা শেমবা পুন্না হোৎনমিন্নবা ঐখোয় ৱাশক লৌরসি।

শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা পীবা পাউজেলদা হায়-নিংথৌ গম্ভীর সিংহ অসি মরৈবাক মরমদমবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজখিবা মশক নাইবা নিংথৌ অমনি। মহাকা অৱাশিংবু তান্থোকখ্রবা মতুংদা অপুনবা মনিপুরগী শক্তম অমা ঙাক্তুনা থম্বীরম্বা অসিগী ৱাখল্লোন ঐখোয়না ইকায় খুমফম থোকই।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) না নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নেসনেল রিকোন্সোলিদেসন ডে পাঙথোক্কনি হায়রি। ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ু.পি.এফকী প্রসিদেন্ট-এন.লুপাচন্দ্রনা হায়-মহারাজ গম্ভীর সিংহ হায়না খঙনবা নিংথৌ চিংলেন নোংদ্রেম খোম্বগী নীংশিং নুমিৎ অসিবু 'অমুক হন্না খুন্তাক্লুরোই' হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঐখোয় পূন্না পাঙথোমীন্নসি। লুপ অসিনা মমাং থাগী ২২ দগী হৌনা কছারগী লেংওনদবী পাৎতগী নিংশিং থৌরম অসি হৌখিবগা লোয়ননা হয়েং কাঞ্চিপুরদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাউ গ্রাউন্দ ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎকনি। মদুদা, মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী মনুং চনবা রেংপাংদা ঙসি অয়ুক থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা সি.আর.পি.এফ. (সি) কম্পানিগী ১৪৩ শুবা বটালিয়নগী জৱান মরি অশোক অপন নংলে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৮ মুক তারকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি। সি.আর.পি.এফকী জৱানশিং তোংবা গাড়ি অদু নোনে জিলাগী রেংপাংদা প্লাটুন পোষ্টতা দ্যুতি তৌরুরবা মতুং হল্লকপগী লম্বীদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোক্তুনা লোকখাদা তাশিনখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা সি.আর.পি.এফ. জৱান মরি অশোক অপন নংখি।

মখোয়গী মনুংদা জৱান অহুম অমদি কা হেন্না শোকপদগী ইম্ফালগী রিমসতা মখা তাবা লায়েং চত্থরি হায়রি।

**সিএলপি (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কংগ্রেস দলগী মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে।

রাজ্যপালগা উন্নরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী ওক্রম ইবোবীনা হায়-রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা  পায়খৎপা য়াবা থৌরাং কয়া রাজ্যপালদা পাউদমখি। লোয়ননা অথুবা মতমদা তংদু লৈতাদবা হনজিলহন্নবা হোৎনমীন্নসি  লোয়ননা কংগ্রেস দলনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোংদোক্লমখি হায়রি।

অমরোমদা, লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীয়াম মশা মশাগী য়ুমদা হনজিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়বা ৱাফম শ্রী ইবোবীনা রাজ্যপালদা থমখি। অদুগা নোংমৈ কাপবা লেপখ্রে হায়দুনা থোকখিবা ইরাং অসি লোয়শিল্লে হায়না লৌবা য়াখিরোই অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়াম মশা মশাগী য়ুমদা হনজিলহনবা তঙাইফদে হায়নসু রাজ্যপালদা তকশিনখি।

ইম্ফালগী রাজ ভাবনদা উন্নখিবা অদুদা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, দলগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্র, লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম, এম.এল.এ. কে. রঞ্জিৎ, থোকচোম লোকেশ্বর অমসুং ওক্রম সুরজাকুমার য়াওনা দলগী মরুওইবা মীওই কয়া য়াওখি।

**এনপিপি (এল)ঃ** শ্রী আজয় কুমার ভাল্লানা মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা থবক পায়বদগী রাজ্য অসিদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি) না থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়না দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট-য়ুমাম জয়কুমারনা হায়খ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাউরেমথোংদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা দল অসিগী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট-য়ুমাম জয়কুমারনা হায়-এন.সি.পিগী মীহুৎ কাংবুনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা মনিপুরগী ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। রাজ্যপালনা ৱাশক হেক লৌবদগী সেক্যুরিতিগী মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপা অসি দল অসিনা তরামা ওক্লি।

মহাকা হায়-কাংপোকপী জিলাগী এস.পি. অশোক অপন নংবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকখিবা, মদুগী মনুংদা নেসনেল হায়ৱে থিংজিনবনচিংবা খোঙজংশিং অসিবু লাকশিন্নবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থাজিনবগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে হাংদোকহনখিবা অসিনা লৈবাক অসি আইন লৈ হায়বদু ময়েক শেংনা উৎখিবা অসিমক দল অসিনা থাগৎপা ফোংদোক্লি। মসিগীসু মথক্তা চুরাচান্দপুর অমসুং মোইরাংদা চৎতুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নখিবা অসিনা রাজ্যপালনা নাকল অনিমক চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা আইনগী মখাদা থবক পায়খৎপগী মমি তারকপা অসি অফবা খোঙথাংনি।

**অশ্বিনিকুমার(এল)ঃ** লোক্তাক পাৎ শেমগৎ শাগৎনবগী চত্থরকপা থৌরাং মনুং চন্না ঙসি লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (এন.দি.এ) না রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট বিভাগ অমদি ইনভাইরোনমেন্টেল সোসিএল রিফোরমেসন এন্দ সঙাই প্রোটেক্সন ফোরমগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ক্লব ওফ থাঙ্গা অমসুং এরিকা থাঙ্গা চিংখাগা লোয়ননা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা ৱাটর বার্ডস এৱারনেস কেম্পেইন ঙসি থাঙ্গা পার্ট ৱানদা লৈবা চাউবা চিংদা পাঙথোকখ্রে।

মদুদা ৱাটর বার্ডশিং য়োকখৎনবগী মতাংদা ঐখোয় মীয়ামনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। থৌরম অদুদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনিকুমার, শকাইরবা ৱাটর বার্ড কঞ্জারভেসনিষ্ট-কে. য়ুগেশ্বর য়াওনা মীওই

কয়া শরুক য়াখি।

**আইসিএম (এল)ঃ** ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিব মেনেজমেন্ট (আই.সি.এম) শিনদুনা ঙসিদগী ত্রেদিসনেল এন্দ ইমপ্লোইদরি প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি নোর্থ ইষ্টর্ন হেন্দিক্রাফটস এন্দ হেন্দলুমস দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেটকী খুৎশমদুনা শিনবনি।

**সভা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়েটকী ওইবা গ্রাম সভাগী মীফম ঙসি ৱাইতোন কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান কেম্পেইনগী মখাদা ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমসু চৎখি।

**সিআরপিএফ (এল)ঃ** সি.আর.পি.এফকী মীৎয়েং মখাদা কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না জিলা অসিগী লাংলোম খুলগী খুঞ্জাশিংদা ৱাটর টেঙ্কশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংগা মীফম অমসু পাঙথোকখি। জিলা অসিগী মনুং চন্না ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তিনখাই খুল্লেনদা রিচার্জেবল এল.ই.দি. টোজ লাইট য়াওনা ৱাটর টেঙ্ক, কম্বলনচিংবা য়েন্থোকখি হায়রি।

**অমুকো (এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী ৩২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী মাংওইননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোক্লি।

কেম্প অসি ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী মোরোক ইঙ্খোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অনোকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

**এময়ূ (এল)ঃ** ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা থা অসিগী ১০ দগা ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল য়ুথ ফেষ্টিবেল ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী টিম ঙসি য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-এন. লেকেন্দ্রনা লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা ভাইস চাঞ্চেল্লরনা হায়-ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা য়ুনিভরসিতি অসিগী মীওই ১৬ না শাবা টিম অসিনা কম্পিটিসন কয়াদা থোইদোকা হেন্দোকপা মনাশিং পুরক্কনি হায়না থাজৈ।

**জয়শঙ্করঃ** মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস জয়সঙ্করনা হায়রি-অনৌবা, মীপুং খুদিংমক কোনশিনবা অমসুং খুমাং চাউশিল্লবা খুন্নাই অমা শেমবা হোৎনবদা মতম শাংনা শিংনবা কয়া মায়োকদুনা লাকপদু কোহন্নবগী মাইকৈদা ভারত চংশিল্লক্লি।

ভুবনেশ্বরদা ঙসি য়ুথ প্রভাসি ভারতিয়া দিবস মীফমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ঐখোয়না হোৎনরিবা অসি তোপ তোপ্পা মওং অমনি। মরমদি, মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অসি গন্তন্ত্রগী চৎন কাংলোন মনুংদা লেপ্তুনা চাউখৎলক্লি।

মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা টেকোলোজি অমসুং ত্রেদিসন পুন্না চাউখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চংলিবা অদুগী মায়কৈদা লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি। লৈবাক অসিগী মংলান কয়া মংফাওনহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়গী নহারোলশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌগনি হায়বসি পুমমক্কী থাজবনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ্ অমসুং মোলদ্বিসকী ঙাকশেল মন্ত্রি-মহামদ ঘাসন মৌমুনগী মরক্তা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীনরিবা

অদু হন্না য়েংশিনখি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা, চাং নাইনা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপা অমসুং লম কয়াদা ত্রেন্নিং পীননবসু ৱারী শান্নবা অদুদা খন্নখি।

মোলদ্বিপসকী ঙাকশেল মন্ত্রি অসি নুমিৎ হুমনিগী ভারত খোঙচৎতা লাকখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা গৱা অমদি মুন্সাইদসু চৎকনি। ভারত অমসুং মোলদ্বিস অসি ইতিহাস, লাইনিং লাইশোল অমসুং খুন্নাইগী ওইবা লম কয়াদা অচেৎপা মরী লৈনরক্লিবা লৈবাক অনিনি। য়ুমথংনবনা হান্নগদবনি হায়বা ভারতকী থৌশিলগীদমক মোলদ্বিস অসি ভারত মহা সাগরদা মরুওইবা লৈবাক অমনি।

**গদকারি ঃ** দ্রাইভর ত্রেনিং ইন্সুটট্যুটস (দি.টি.আই) লৈবাক শিন থুংনা মান্নবা মওংদা লিংখৎনবা থৌরাং অমা কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা লাউথোকখ্রে। থৌরাং অসিনা অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুটশিং লিংখৎপদা ইন্সেন্টিভ পীগনি অমসুং ওতোমেতেদ টেষ্টিং ষ্টেসন অমসুং দি.টি.আইশিং পুন্না লিংবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদসু অহেনবা ইন্সেন্টিভ পীগনি।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গদকারিনা হায়- লৈবাক অসিদা স্কিল দ্রাইভরগী মশিং ৱাৎলে। অদুনা লৈবাকসিদা দ্রাইভিং ত্রেনিং সেন্তর হেন্না লিংখৎনবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈরে।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দগী--**

**ফুটবোলঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অস্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাৎশোই পার্ট টুদা লৈবা

পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাউ-থামৈবন্দান ই.এস.এ. ময়াং ইম্ফালবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। থাউ থাংমৈবন্দগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনিমক টিম অসিগী শান্নরোই টি.ঐচ. নিখিলনা চনখি।

অমরেমাদা, গ্রাউন্দ অসিমক্তদা চথরিবা তরুকশুবা এস.ঐচ. মণি শর্ম্মা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিখকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.আই.য়ু.এফ.সি-ময়াং ইম্ফাল অমদি কে.কে.ৱাই.য়ু. কৈশামথোং পাঞ্জল অনি-অনি চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। এম.আই.য়ু.এফ.সিগী পাঞ্জল অনিমক টিম অসিগী শান্নরোই-নাউচানা চনখি। কে.কে.ৱাই.য়ুগী পাঞ্জল অনি অদুনা দিসোং অমদি গাইথোইচুংনা চনখি।

**গেমসঃ** থা অসিগী ২৮ দগী মথং থাগী ১৪ ফাওবা উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরগী টিম লুচিংগদবা ওফিসিএলশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী মেদিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-এন. ইবোঙোচৌবীনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না গেমস অসিগী মনিপুর টিমগী চীফ দি-মীসন এম. রাজচন্দ্রনা ওইবগা লোয়ননা কিরন কুমার থাংজম, টি.ঐচ. জয়েন্তা অমসুং টি.ঐচ. সামানন্দানা দিপ্যুতি চীফ দি মীসন ওইগনি।

**ক্রিকেটঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাউরেম রাজ নিংথৌ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ত্রাউ-ৱাকৈথেলনা আর.সি.এ. লিলোংবু ক্রিকেট তরুক্তা মায়থিবা পীখ্রে।

ত্রাউগী মুতুম সোভিমাননা প্লেয়ার ওফ দা মেটচ তাখ্রে।